# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, JANUARY 10, 2020 PAGE 7




ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টি মায়থিবা পীদুনা ব্রিজবেন ইন্টরনেসনেলগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রবী অমেরিকাগী শান্নরোই জেন্নিফর ব্রেদি

২০২০ টোকিও ওলেম্পিক গেমসতা পোলিটিক্স য়াওশিন্দনবা চেকশিন ৱা ফোঙদোকখিবা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিগী মকোক থোমাস বেক



## ৩শুবা খেলো ইন্দিয়া য়ূঠ গেমস গুৱাহাটিদা ঙসি হৌদোক্লগনি

*গুৱাহাটি, জনুৱারি ০৯ ঃ*

ইন্দিয়াদা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস মশান্না কয়াদা হেন্না চাওখৎনবগী পান্দমদা লৈবাক অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অমগী শরুক ওইনা হয়েং অসামগী সিটি গুৱাহাটিদা অহুমশুবা ইদিসনগী খেলো ইন্দিয়া য়ূঠ গেমস হৌদোক্লগনি।

গুৱাহাটিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী ষ্টেদিয়মদা হয়েং হৌদোক্কদৌরিবা ৩শুবা খেলো ইন্দিয়া য়ূঠ গেমস অসিদা অসামগী চীফ মিনিষ্টর সরবানন্দ সোনোৱাল অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুসু শরুক য়াগনি।

হৌদোক্কদৌরিবা গেমস অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর সোনোৱাললনা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অসিনা অসিগুম্বা গেমস অসিগী য়ুম্বু ওইবদা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। গেমস অসিনা ইন্দিয়াগী স্পোর্টসতা অহোংবাকয়া অমা পুরকপা ঙম্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তাখি। গেমস অসিদা য়াওগদৌরিবা লৈবাক অসিগী এঠলেটশিংদসু য়াইফ পাউজেল পীখি।

য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা অসামনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা খেলো ইন্দিয়া য়ূঠ গেমস অসিনা লৈবাক অসিগী অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা অটৌবা অওনবা অমা পুরক্লগনি হায়খি।

## বেঙ্গালুরু এফ সিনা জমসেদপুরবু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী অনীশুবদা হাইগৎখ্রে





*বেঙ্গালুরু, জনুৱারি ০৯ (এজেন্সি) ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল) কী ঙসি বেঙ্গালুরুদা লৈবা শ্রী কান্তি রাভা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা য়ুম্বু ক্লব বেঙ্গালুরু এফ সিনা জমসেদপুর এফ সিবু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী অনীশুবা মফমদা হাইগৎখ্রে।

মেটচ অসি হেক হৌবদগী য়ুম্ব টিম বেঙ্গালুরু এফ সিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচকী ৮শুবা মিনিটতা টিম অসিগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই ইরিক পার্টালুনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ঙন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি।

বেঙ্গালুরুনা গোল মাঙজিল থাখ্রবা মতুং মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা অহেনবা গোল অমত্তা হাপচিনবা ঙম্নখিদবদগী বেঙ্গালুরুনা ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। অদুবু মেটচকী ৬৩শুবা মিনিটতা বেঙ্গালুরুগী শান্নরোইশিংগী মখা তাবা এটেক অমদা টিম অসিগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা নকশিনহনখি।

জমসেদপুর এফ সিগী শান্নরোইশিংনা ফনা কন্না হোৎনদুনা শান্নরকখ্রবসু শোত্থখিবা গোলশিং অদু অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদে। নাকল অমরোমদা বেঙ্গালুরুগী মায়কৈদগীসু অহেনবা গোল চনশিনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অসি মখোয়না জমসেদপুরবু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী অনীশুবা মফমদা হাইগৎপা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা মেটচতা হায়দরবাদ এফ সিনা য়ুম্বু ওইরগা চেন্নাইন এফ সি লম্বা তৌনরগনি।

## মালেসিয়া মাষ্টর্স ঃ ইন্দিয়াগী সট্লর সাইনা অমসুং সিন্ধু ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, সমির অমদি প্রনোই লৈহৌরে




*কোলা লম্পুর, জনুৱারি ০৯ (এজেন্সি)ঃ*

মালেসিয়াগী কোনুং কোলা লম্পুরদা শান্নরিবা য়ু এস দোলর ৪০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা মালেসিয়া মাষ্টর্স ২০২০ দা ইনিদয়াগী নুপী সট্লর সাইনা নেহৱাল অমসুং পি ভি সিন্ধু মায় পাক্কুনা নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী সট্লর সমির ভর্ম অমদি ঐচ এস প্রনোই অনীশুবা রাউন্দদা মায়থিহৌরে।

মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ৮শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী অন সে য়ংবু মিনিট ৩৯ চঙনা শান্নরবা মতুং ষ্ট্রেট গেম অনী ২৫-২৩, ২১-১২ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা রিও ওলেম্পিক্স চেম্পিয়ন স্পেনগী কেরোলিনা মারিনগা লম্বা তৌনরগনি।

স্পেনগী কেরোলিনা মারিন্না ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী শান্নরোই কাই য়ানয়ানবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১-১৬, ২১-৮ দা মায়থিবা পীরম্বনি।





টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী আয়া ওহোরিবু ২১-১০, ২১-১৫ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংগা লম্বা তৌনরগনি।

নম্বর ৱান সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুনবু গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ২১-১৮, ১৬-২১, ২১-১০ দা থোইরম্বনি।

মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ইনিদয়াগী নুপা সট্লর সমির ভর্ম অমসুং ঐচ এস প্রনোই অনীশুবা রাউন্দদা মায়থিহৌবদগী কাঙলূপ অসিদা ইনিদয়াগী কেম্পেন লোইশিনখ্রে।

সমির ভর্মনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক মালেসিয়াগী শান্নরোই লি জি জিয়াগী মখূত্তা ১৯-২১, ২০-২২ দা মায়থিদুনা লৈহৌবনি। অদুগা ঐচ এস প্রনোইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জপানগী কেন্টো মোমোটাগী মখূত্তা মিনিট ৪৫ চঙনা শান্নরবা মতুং ১৪-২১, ১৬-২১ দা মায়থিহৌবনি।

## ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং রুশিয়া এ টি পি কপকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে

*সিদনি, জনুৱারি ০৯ (এজেন্সি)ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা টেন্নিস মশান্নগী অহানবা ওইনা পাঙথোক্লিবা এ টি পি কপকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্কুনা য়ুম্বু লৈবাক ওষ্ট্রেলিয়াগা লোয়ননা রুশিয়াসু সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

এ টি পি কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়ানা গ্রেট বৃটেনবু মেটচ ২-১ দা মায়থিবা পীখি। ক্বার্টর ফাইনেল টাই অসিগী অহানবা মেটচ সিঙ্গলসতা ওষ্ট্রেলিয়াগী কিরগিওসনা বৃটেনগী নোরিবু ৬-২, ৬-২ দা থোইদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা মেটচ সিঙ্গলসতা বৃটেনগী দান ইভান্স ওষ্ট্রেলিয়াগী মিনোরবু ৭-৬(৭-৪), ৪-৬, ৭-৬(৭-২) দা থোইদুনা মেটচ অমমম মান্নখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং মেটচ ওইখিবা দবলসকী মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী মিনোর অমদি কিরগিওসনা বৃটেনগী জেমী মুরে অমসুং জো সালিসবুরিবু ৩-৬, ৬-৩, ১৮-১৬ দা থোইবা ঙমদুনা মেটচ ২-১ দা মায় পাক্কুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল টাই অমদা রুশিয়ানা আর্জেন্টিনাবু মেটচ ৩-০ দা মায়থিবা পীখি। অহানবা মেটচ সিঙ্গলসতা রুশিয়াগী খচানোভনা আর্জেন্টিনাগী পেল্লাবু ৬-২, ৭-৬(৭-৪) দা থোইদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচ অতোপ্পা সিঙ্গলসতা রুশিয়াগী মেদভেদেভনা আর্জেন্টিনাগী স্বার্টজমেনবু ৬-৪, ৪-৬, ৬-৩ দা থোইদুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি। অরোইবা মেটচ দবলসতা রুশিয়াগী গাবাসভিল্লি অমসুং ক্রাভচুকনা আর্জেন্টিনাগী গোঞ্জারেজ অমসুং মোল্টেনিবু ৭-৬(৭-৫), ৬-৪ দা থোইখি।

## রিয়েল মাদ্রিদনা ভেলেন্সিয়াবু মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে



*জেদ্দাহ, জনুৱারি ০৯ (এজেন্সি)ঃ*

স্পেনগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সুপর কপকী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা রিয়েল মাদ্রিদনা ভেলেন্সিয়াবু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

সাউদি অরাবিয়াগী সিটি জেদ্দাহদা লৈবা কিং অব্দুল্লাহ স্পোর্টস সিটি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা স্পেনগী সুপর কপকী সেমি ফাইনেল মেটচ অসি হেক হৌবদগী রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোইশিংবু খূদুম চন্দুনা থমখি।

শান্নবগী ১৫শুবা মিনিটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টোনী ক্রুজনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোইশিংদা প্রেসর পীশিনবা হৌখি।

ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোইশিংনা শোত্থখিবা গোল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৩৯শুবা মিনিটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংগী মখা তাবা এটেক অমদা ইস্কোনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা গোল মাঙজিল থারিবা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না অদুমক চত্থদুনা লাকখি। মেটচকী ৬৫শুবা মিনিটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা লুকা মোদ্রিচনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ভেলেন্সিয়াবু খূৎ হনবা ঙম্লোইদবা মওংদা গোল ৩-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

গোল শোত্থরিবা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা শান্নরকপদা এটেক খরা চত্থবা ঙমদুনা গোল হন্দোক্কবা হোৎনরকখি। মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি।

মেটচকী অরোইবা মিনিটতা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অসিগী শান্নরোই দানী পারেজোনা গোল ওন্থোকপা ঙমখ্রবসু মেটচ অসি রিয়েল মাদ্রিদনা ভেলেন্সিয়াবু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীদুনা সুপর কপকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

সুপর কপকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা বার্সেলোনা অমসুং এটলেটিকো মাদ্রিদনা জনুৱারী ১০ গী অয়ুক পুং ১২.৩০ তাবদা শান্নরগনি।

নাকল অমরোমদা ইংলেন্দদা পাঙথোকপা মরুওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ই এফ এগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচতা লৈকেষ্টর সিটি অমসুং এষ্টোন ভিল্লা গোল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

লৈকেষ্টর সিটি অমসুং এষ্টোন ভিল্লানা শান্নখিবা মেটচ অসি হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। মেটচকী মিনিট ২০ হেন্না হৌজিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লাকখি। মেটচকী ২৮শুবা মিনিটতা এষ্টোন ভিল্লাগী শান্নরোই ফ্রেদরিক গুইর্বর্টনা গোল অমা চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ মেটচকী ৭৪শুবা মিনিটতা লৈকেষ্টর সিটিগী শান্নরোই কেলেচি ইহিনাচোনা গোল অমা চন্দুনা ১-১ দা দ্রো চৎখি। টিম অনীগী অনীশুবা লেগকী মেটচ থা অসিগী ২৯ গী অয়ুক পুং ১.১৫ দা শান্নগনি।

## ইন্দিয়ান ৱুমেন'স লীগ ২০২০ জনুৱারী ২৪ দগী শান্নবা হৌরগনি

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ০৯ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়ান ৱুমেন'স লীগকী ৪শুবা ইদিসন বেঙ্গালুরুনা য়ুম্বু ওইদুনা চহী অসিগী জনুৱারি ২৪ দগী ফেব্রুৱারি ১৩ ফাওবা শান্নরগনি। লীগ অসিগী মেটচ খূদিংমক বেঙ্গালুরুদা লৈবা বেঙ্গলোর ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

৪শুবা ইদিসনগী ইন্দিয়ান ৱুমেন'স লীগ অসিদা মণিপুর, গুজরাট, মহারাষ্ট্র, গোৱা, তামিল নাদু, ওড়িষা, ৱেষ্ট বেঙ্গল, পঞ্জাব, কর্নাতকা অমসুং ৱেষ্ট ওফ ইন্দিয়াগী টিমশিং ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রবনি।

লীগ অসিগী মমাঙদা পঞ্জাবকী সিটি লুধিয়ানাদা পাঙথোকখিবা ইদিসন্দা নুমিৎ ১৮ চূপ্না চত্থখি। ফাইনেল মেটচতা সেতু এফ সিনা মণিপুর পুলিসপু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

৪শুবা ইন্দিয়ান ৱুমেন'স লীগ অসিগী অহৌবা মেটচ ওইনা মণিপুরগী ক্লব ক্রিপ্সানা কর্নাতকাগী ক্লব এফ সিগা জনুৱারি ২৪ গী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২.০০ দা শান্নগনি।

### ক্রোসৱার্দ ৩৯৪ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| B | E | N | D | S | ■ | P | R | O | F | ■ | C | L | O | D |
| E | N | N | U | I | ■ | R | U | L | E | ■ | R | E | B | A |
| E | V | E | N | N | U | M | B | E | R | ■ | A | V | E | R |
| ■ | ■ | ■ | ■ | G | L | A | D | ■ | R | I | B | E | Y | E |
| A | R | F | ■ | S | E | N | O | R | A | S | ■ | L | S | D |
| B | E | A | N | I | E | ■ | W | A | R | M | T | H | ■ | ■ |
| O | R | I | O | N | ■ | A | N | T | I | ■ | Y | E | S | M |
| D | A | R | T | G | U | N | ■ | T | S | T | R | A | P | S |
| E | N | G | S | ■ | N | A | G | Y | ■ | H | O | D | A | D |
| ■ | ■ | R | O | A | D | I | E | ■ | W | I | S | E | T | O |
| I | T | O | ■ | T | E | S | T | I | E | R | ■ | D | E | S |
| S | A | U | C | E | R | ■ | B | R | A | T | ■ | ■ | ■ | ■ |
| A | R | N | O | ■ | S | Q | U | A | R | E | R | O | O | T |
| A | D | D | S | ■ | E | R | S | T | ■ | E | E | R | I | E |
| C | Y | S | T | ■ | A | S | Y | E | ■ | N | O | B | L | E |


M/S IMPHAL PRESS

Screen Printing & Rubber Stamps Works

Paona Bazar, Governor Road Crossing
Regd. No. 11/01/0171/PMS/SSI

Lengsinbirakshi

* Heijingpot bag
* Box
* Shirt
* Sweet Box
* Invitation Card
* Receive Book
* Letter Head
* Thesis Binding
* Seal



* Pre-Ink Seal
* Offset Printing
* Screen Printing

20% discount for physically challenge people, girls, students and army personal

লেঙশিনবীরকসি অমদি খুদোং চাবশিং অসি লৌমিন্নরসি

M/S IMPHAL PRESS
Paona Bazar, Governor Road Crossing
Phone No. 9774220295 / 9366285239

SL/5683/6+15 days



UNACCO SCHOOL

Excellence in Education

Khongman Zone - III (West), Imphal East District, Manipur
• website: www.unaccoschool.in •Phone No.: 8794012290

No. USK/HR/R-03/01/20 Date : 09-01-2020

POST VACANT

UNACCO School, Khongman is looking for dedicated and career oriented candidates for the post of cook.

**Cook - 2 Male.** (Salary : Rs. 7,500/-)

Qualification : VIII-Passed with relevant experience

**Interested candidates can apply by submitting their bio-data including personal contact numbers and a latest passport size photograph to the following address latest by 18th January, 2020.**

HRD
UNACCO School, Khongman Zone-III
Imphal East, Manipur
hr@unaccoschool.in

SL/B/10&11

• The Management reserves the right to increase or decrease or cancel the number of posts without prior information.



MEIKLEY International School

ESTD. 2016

ADMISSIONS OPEN

HURRY UP



Curriculum supported by BUBBLES KIDS (A Globally Recognised)

Classes
Pre-Nursery to Class III

2020 - 2021

Class Starts from 23rd Jan, 2020 THURSDAY

Vacancy : 4 LADIES TEACHERS

For details, just dial :
8787880819
9774770388

Lalambung Makhong, Near Lalambung Pung RIMS Road, Imphal -1

meikleyinternationalschool@gmail.com

SL/5669/3+15 days



FOCUS

The Conceptual study Circle

Lalambung Makhong Near Lalambung pung RIMS Road

*Focus study circle in association with Mastermind Abacus Lalambung Centre, aims at shouldering the responsibility of your child for the complete preparation of their school syllabus. It aims at identifying the weaker subject of your child and providing a conceptual guidance to make the child step forward with confidence.*

Admission is going on for the session 2020-2021



- Starting with Class I to X (CBSE & Manipur Board)
- Class timing 4:45 to 7:45p.m.
- Covering all subjects.
- Conceptual class on weak subject
- Self study hour under the supervision of teachers.
- Weekly Exam on every Sunday.
- Managing the school task done in their respective classes with a schedule and scientific way of revision method.
- Experience Teachers and Guest Faculties for Exam preparation.

For Further information pliz Contact # 9774770388

SL/5669/3+15 days